১৪শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া মেন্স সিনিয়র নেসনল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস

# মণিপুরনা ওভরওল টিম রন্নর্স অপ তাখ্রে

## এল নেতা, মারাদোনা ক্ষেত্রিময়ুম অমদি মাইবম রোবর্টনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা থা অসিগী ২৩দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৪শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া মেন্স সিনিয়র নেসনল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুরনা গোল্ড ৩ অমদি সিলভর ৩ পূন্না মেদল ৬ ফংদুনা পোইন্ট ১২৫ ফংদুনা অহানবা টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

রেলৱে স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দ (আর এস পি বি)না পূন্না পোইন্ট ৩১৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ২৭ অমদি লৈঙাক্কী স্পোর্টস বোর্দ ৭তগী লাকপা এথলিট ৫৫০ হেনবনা শরুক য়াখি।

য়ু জি এম নাওরেমথোংগী এল নেতা অমদি মসল ফেক্টরি ককচীংগী মারাদোনা ক্ষেত্রিময়ুমনা মেন্স বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৫৫ অমদি ৮৫গী কাঙলূপ্তা অদুগা সঙাই ফিটনেস সেন্টরগী মাইবম রোবর্টনা মেন্স ফিটনেস ফিজিক কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

রোয়ল জিম নিংঙোমথোংগী মেলসন এন কে অমদি জয়জিৎ ৱাইখোম অদুগা বোদি গোল্ডন জিম কাঞ্চিপুরগী মঙাল অরাম্বমনা মেন্স বোদি বিল্ডিংগী কেজি ১০০ অমদি মেন্স এথলেটিক্স ফিজিকতা সিলভর মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি। আরসীসী য়াসকী ৱার্শিম চেসমনা মেন্স স্পোর্টস ফিজিক কাঙলূপ্তা মরিশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ষ্টেট টিম অসিদা পূন্না এথলিট ১১ অমদি ওফিসল ২না শরুক য়াখি। অতোপ্পা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি আইরন এদিক্ট ফিটনেস জিম নিংথৌখোংগী এল নরেশ, আর সী সী য়াসকী লমজিংবা নিংথৌজা, লাইফষ্টাইল ফিটনেস জিম সঙাইপ্রৌগী এল রোনাল্ড অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী এল সুভাশচন্দ্রনি। ওফিসল অনী অদুনা এন রতন (কোচ) অমদি এস দ্রুবা (মেনেজর)নি।

অমরোমদা, খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (অম্বা)গী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা অম্বাগী সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিনা বোদি বিল্ডিংগী লম্দা কুমজা ১৯৫০দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবদা চহী ৭২ চুপ্পা লাকপগী লম্বীদা মণিপুরনা সিনিয়র নেসনল লেভেলদা অহানবা টিম রন্নর্সঅপ ফংলকপা অসি অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডর্স এসোসিএসনগী ওফিসলশিং অমদি সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপতা মেদল ফংলকখ্রবা অমদি শরুক য়াখিবা এথলিটশিংসু শরুক য়াখি।

## ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ফাইনেলগী মতম অহোংবা লৈরগনি




ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৬শুবা জুনিয়র বোইজ অমদি ১৮শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ২৮, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগনি তৌরম্বা অদু নোং-চীংগী ফীভম্না য়াদবদগী মথং চহীগী জন্যুৱারী ৪, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপামচাগী কাঙলূপ্তা টিম ৪- কে এম এম রাইদিং স্কুল শীংজমৈ, আর্বিন্দ পোলো ক্লব, থৌবাল পোলো ক্লব অমদি পেরেদাইজ পোলো ক্লবনা শরুক য়ারি। অদুগা নুপীগী কাঙলূপ্তা চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব, লিঙ্খোইঙানবী কাংজৈ লূপ, লমন সগোল ক্লব অমদি কে এম এম রাইদিং স্কুলনা শরুক য়ারি।

নুপীগী লীগ মেটচতা অহানবা অমদি অনীশুবা তাদুনা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব অমদি লিঙ্খোইঙানবী কাংজৈ লূপনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

## মণিপুরনা মেঘলায়া থোইখ্রে

জুনিয়র নেসনল খো-খো



ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গল খো-খো এসোসিএসননা শীন্দুনা হুগ্লিগী সিশু সঙ্ঘ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪১শুবা জুনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপকী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মণিপুরনা মেঘলায়াবু লাকচনা ২০-৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা ঝরখন্দগী মখূৎতা পোইন্ট ২দা মায়থীহৌখি। মেটচ অসিদা মণিপুরগী নুপামচাশিংনা পোইন্ট ১৭ অদুগা ঝরখন্দনা পোইন্ট ১৯ ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, নুপীগী গ্রুপ সীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা মণিপুর মায়থীখ্রে।

মণিপুরনা অহানবা মেটচতা উত্তর প্রদেশকী মখূৎতা পোইন্ট ৫দা মায়থীখি। ষ্টেটকী নুপীমচাশিংনা পোইন্ট ১৭ অদুগা উত্তর প্রদেশনা পোইন্ট ২২ ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মণিপুরনা য়াম্না নক্না পোইন্ট ১দা উত্তরখন্দগী মখূৎতা মায়থীখ্রে।

মেটচ অসিদা ষ্টেটকী নুপীমচাশিংনা পোইন্ট ৯ ফংবা ঙমখি অদুগা উত্তরখন্দনা পোইন্ট ১০ ফংখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতগী নুপা অমদি নুপীগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নরগনি।

## এম কে এগী স্পেসল মীটিং দিসেম্বর ২৯দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুর অমদি এক্স এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী থা অসিগী ৪ অমদি ১৮দা ফমখিবা মীফমগী রিজে াল্যুসনগী মতুংইন্না এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মেম্বরগী ইলেক্সন পাঙথোক্লবা স্পেসল জেনরেল কাউন্সিল মীফম অমা থা অসিগী ২৯দা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর কাং এসোসিএসন (এম কে এ)গী প্রসিদেন্ট এম জাদুমণিনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## জিরিবামদা ক্রিকেট চাউখৎহন্নবা এম সী এনা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই : ডা. ঐচ জয়কুমার




ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসি হীরম খূদিংমক্তা খরা শোত্থনা লৈবনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ক্রিকেট মশান্না অসিবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সীএ)গী অখন্নবা মীৎয়েং অমা চঙবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসনগী এদভাইজর ডা. ঐচ জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি জিরিবামগী কলিনগরদা লৈবা হোটেল দ্রিমলেন্দদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা, জিরি লমদম অসিদা চহী ৩৫ রোমগী মমাংদগী ক্রিকেট হায়বা মশান্না অসি শান্নদুনা লাকখি। অদুবু মমাংঙৈগী মতমদা শান্নবুং লৈতবদগী ক্রিকেট টুর্নামেন্টনচিংবা পাঙথোকপা ঙমখিদে। মরক-মরক্তা ফ্রেন্দলি মেটচকুম্বা ওইনা শান্নরম্মী। কলিনগরদা লৈবা ব্রদর্স য়ুনিয়ননা ক্রিকেট মশান্না অসিবু লমদম অদোমদা হেন্না চাউখৎনবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখি।

ব্রদর্স য়ুনিয়নগা পূন্না তান্নরগা জিরিবামদা অহানবা ওইনা ক্রিকেটপুয়োকখৎনবগী পান্দমদা মতম অদুদা ক্রিকেট চেলেঞ্জ ট্রোফি অমা পাঙথোকখি। মদুগী মতুংদা মতম অদুগী ক্রিকেটপু থৱায় য়াওজবা মীওইখরনা পূনশিল্লগা ওল জিরিবাম ক্রিকেট এসোসিএসন শেমখি। মতুং তারকপা জিরিবামনা তোখায়বা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওল্লকপদগী এসোসিএসন অসি জিরি দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসন ওনখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল রঞ্জিৎকুমার, এদভাইজর ডা. ঐচ জয়কুমার, প্রসিদেন্ট এন বুধচন্দ্র, সেক্রেটরি প্রিয়োকুমার, ভাইস প্রসিদেন্ট এন জ্যোটিন, জোইন্ট সেক্রেটরি এল প্রেমজিৎ অমদি কে এস ঐচ জিতেন্দ্র অদুগা পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন সুর্জিৎসু শরুক য়াখি।

ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি আর্চরি চেম্পিয়নশিপ

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন্স আর্চরি টিমনা গোল্ড ৩, ব্রোঞ্জ ১ ফংখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): পঞ্জাবকী বথিন্দাদা লৈবা গুরু খাশি য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২৩দগী হৌদুনা চথরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি আর্চরি (মেন এন্দ ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপী আর্চরি টিমনা গোল্ড ৩, ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৪ ফংবা ঙমখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ইন্দিয়ন রাউন্দ ৱিমেন্স টিম ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচতা পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা পঞ্জাবী য়ুনিভর্সিটিবু ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

মায় পাকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন্স টিমদা শরুক য়াখিবা আর্চরশিং অদুদি ককচীং খুনৌ কোলেজগী এল রোজিনা, এম বেবী, মিলেনিয়া থোকচোম অমদি এন সোনিয়ানি।

এল রোজিনানা ইন্দিয়ন রাউন্দ ৱিমেনগী রেঙ্কিং অমদি মিটর ৫০গী ইভেন্টতা পোইন্ট ৬৪১ অমদি ৩৩২ ফংদুনা গোল্ড মেদল ২ অমগসু ফংবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা ইন্দিয়ন রাউন্দ ৩০ মিটর ইভেন্টতা পোইন্ট ৩১৯ কাপ্পুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন্স আর্চরি টিম অসি রিজনেল কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর বি সর্জুনা মেনেজর অদুগা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী এল শামেনা কোচ ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী সেক্রেটরি অমদি এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লদুনা, গোল্ড ৩ য়াওনা মেদল ৪ ফংলকখ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন্স আর্চরি টিমবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর অমদি এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ২৮ ফাওবা মখা চত্থখিগনি হায়রি।

## গোল্ড মেদলিষ্ট সদাম খূৎহৈবম তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা কারাটে চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা মোহমদ সদাম খূৎহৈবম ঙসি বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা ক্যামগৈ মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

মহাক ক্যামগৈ মুস্লিম অৱাং লৈকাইদগী মোহমদ অব্দুল গাফর খূৎহৈবম অমদি রঞ্জিনা অনীগী মচানুপানি। মহাক্না চেম্পিয়নশিপ অসিগী কারাটে অমদি জুদো মশান্নদা গোল্ড মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখিবনি।

## কে আই এস সী ঈগী দিসিপ্লিন অহুমগী শান্নরোয়শিং লৌগদৌরি

ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ২০২০গী জুন ১৮দা থোকখিবা গাইদলাইন অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা রেসিদেন্সিএল খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সলেন্স (কে আই এস সী ঈ) তা লৈনবা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিন অহুম- আর্চরি, হোক্কী অমদি ৱেথলিফটিংগী শান্নরোয়শিং লৌগদৌরি হায়না য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা খঙহল্লক্লি।

খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা ওলিম্পিক্সতা ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙম্নবা পান্দমদা লৌগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী ইলিজিবিলিটি অমদি ক্বালিফিকেসননা সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল মেদল ৱিন্নরশিং ওইগদবনি নৎত্রগা এথলিট অদুনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল লেভেলদা চেম্পিয়ন ওইবা ওইগদবনি হায়রি।

ইলিজিবল এথলিটশিংনা থা অসিগী ২৬তগী হৌদুনা অয়ূক পুং ৯.৩০দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা খুমন লম্পাক্তা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, খেলো ইন্দিয়া সেলদগী লৌরবা য়ারগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না মথং চহীগী জন্যুৱারী ৬কী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

শান্নরোয়শিংনা ফোর্ম থাজিল্লকপা মতমদা মশাগী আধার কার্দ, দেট ওফ বর্থ সর্টিফিকেট, স্পোর্টস এচিভমেন্ট সর্টিফিকেটশিং অমদি এদ্যুকেসন সর্টিফিকেটকী জেরোক্স কোপী অমমম্ লোয়নরক্লবা খঙহল্লক্লি।

স্কিম অসিগীদমক খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং ওরিজিনেল দোক্যুমেন্ট উৎপা ঙমদ্রবদি রিজেক্ট তৌগনি হায়না দিরেক্টরগী চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র নেসনল যোগসনা স্পোর্টস হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): নেসনল যোগসনা স্পোর্টস ফেদরেসননা শীন্দুনা অহুমশুবা সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র নেসনল যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ঙসি অয়ূক মহারাষ্ট্রগী সনগমনরদা লৈবা দ্রুব গ্লোবেল স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোয় ১৫ অমদি ওফিসল ৫না শরুক য়াবগা লোয়ননা পূন্না টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরোয় অমদি ওফিসল ৭৮৯না শরুক য়ারি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা যোগগী দেমোন্সট্রেসন কয়া উৎখি।

চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা চত্থগনি।

## এদভেঞ্চর কোর্সকী গ্রেজ্যুএসন সেরেমোনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসন (এম এম টি এ)না শীন্দুনা মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং ইন্সটিট্যুট (এম এম আই)গী ৩৭শুবা ফাউন্দেসন দে অমদি ৮৮শুবা এদভেঞ্চর কোর্সকী গ্রেজ্যুএসন সেরেমোনি ঙসি লমদানদা লৈবা এম এম আই কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অদিত্য কুমার জোশিনা অথোইবা মীথুংলেন, এম এম টি এগী প্রসিদেন্ট ডা. এল সুর্জিৎনা থৌরম মপু অদুগা এন ঐচ পি সী লিমিটেদ লোক্তাক পাৱর ষ্টেসনগী গ্রুপ জেনরেল মেনেজর (সিভিল) ইন-চার্জ হেদ এস ঐচ ঐচ এন সত্যনরায়ানা, সবসিদ্যরি ট্রেনিং সেন্টর বি এস এফ চুড়াচান্দপুরগী কম্মান্দেন্ট ঐচ সুবোল অমদি ১০শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফ লোক্তাক্কী কম্মান্দেন্ট কুলৱান কুমারনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ঙানবী ফুটবোলগী মেটচ য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস খোংমননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নগনি তৌরম্বা মেটচ ২ নোংনা মরম ওইদুনা য়েথোকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী এস দব্লিয়ু সী খোংমন অমদি এম এম সী মোংখাম লম্বী অদুগা অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ অসিমক্কী ত্রিঙ্কল এফ সী মোইরাংপুরেল অমদি এফ এফ সী সী অংথা অনীনা শান্নগনি তৌরম্বনি।

মখা তাবা মেটচশিং অনৌবা ফিকচর অমা থোক্লক্লবা মতুং শান্নরগনি হায়না ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী থল্লক্লি।

খোংমন অতোম লৈরক্তা লৈবা এস দব্লিয়ু সী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৪না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

## চন্দ্রনদি ট্রোফি ভিলেজ ওপন ফুটবোল জন্যুৱারী ৮দগী হৌরগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব (ঐচ এন এস সী) অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা 'বি প্রাউদ টু বি দ্রগ ফ্রী' হায়বা থিমদা খূৎশম্নুনা শীন্দুনা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ২০২৩ ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট মথং চহীগী জন্যুৱারী ৮দগী হৌদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাওরৈবী কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

লমদম অসিগী নহাশিংবু থকশি-খাশি লৈনা অচূম্বা লম্বৈলদা পুরক্নবা, ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিংদগী লাপ্না লৈহন্নবা অমদি শান্ন-খোৎনবনা হিংনবগী লম্বী অমা ওইহনবা হায়বা পান্দমদা ঐচ এন এস সী অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সীনা খূৎশম্নুনা শীনগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ৩১ ফাওবা ওইগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৮৪১৪০০১৮৪৭, ৮৭৩২০০৭৩৭৮ অমদি ৭৬৩০৮৮১৫৪৫ দা পাউ ফাওরক্নুনা খঙলবা য়ারগনি হায়না ঐচ এন এস সীগী জেনরেল সেক্রেটরি এন সঞ্জুনা খঙহল্লক্লি।

## ষ্টেট মিনি অমদি জুনিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল,দিসেম্বর২৭(ঐচএনএস): থাংমৈবন্দ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (থাও) থাংমৈবন্দনা শীন্দুনা ৩৫ শুবা ষ্টেট লেভেল মিনি অমদি ১৭শুবা ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্ট মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১৯দগী হৌদুনা থাংমৈবন্দগী থাও গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি আর কে জয়চন্দ্রনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ৩০ ফাওবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব, এসোসিএসন অমদি টিমশিংনা থাওগী ওফিসতা লাক্তুনা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়ারগনি হায়রি।






# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 671**

**Xavier Mompel Ferruz (1953) - WGM P. Nandhidhaa (2358)**

**9th Sunway Sitges 2022 Sitges ESP, 2022.12.12**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 e6 |
| 5.Nc3 Qc7 | 6.Be2 Nf6 | 7.Ndb5 Qb8 | 8.f4 d6 |
| 9.Be3 Be7 | 10.Nd4 O-O | 11.g4 Nxd4 | 12.Qxd4 e5 |
| 13.Qd1 d5 | 14.g5 Nxe4 | 15.Nxd5 Bd6 | 16.Bd3 exf4 |
| 17.Bxe4 Re8 | 18.Bxh7+ Kxh7 | 19.Qh5+ Kg8 | 20.Nf6+ gxf6 |
| 21.gxf6 Rxe3+ | 22.Kf2 Qc7 | 23.Rag1+ Rg3 | 24. ... |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 670 Ans. :**

28. ...Qc2+ The black queen decoys White's king.
*Your moves: 28. ...Rxb2+*
*Your moves: 28. ...Bb3*
*Your moves: 28. ...Qc1+*
*Your moves: 28. ...Nc3+*
*Your moves: 28. ...Bf5+*
*Your moves: 28. ...Bxf7*
29. Kxc2 Bf5# Bishop and knight mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com